**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02.04.2024)**

**দিস্তব এরিয়া (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা তরেৎকী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোনবা মফমশিং নত্তনা মনিপুরদা মখা তানা দিস্তব এরিয়া ষ্টেটস থা তরুক অমগা শাংদোকখ্রে। মসি ঙরাংদগী চৎনবা হৌখ্রে।

রাজ্য সরকারগী কম্মিস্নার হোম-দেবেস দেবালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মখা তানা দিস্তব এরিয়া ষ্টেটস থমখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইম্ফাল, লমফেল, সিটি, শিংজমৈ, সেকমাই, লমশাং, পাৎশোই অমসুং ৱাঙ্গোই অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা পোরোম্পাৎ, হৈঙাং, লমলাই, ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা দিস্তব এরিয়া ষ্টেটস অসি চৎনরোই।

কাংপোকপী জিলাগী পুলিস ষ্টেসন অমা, থৌবালগী অমা, বিষ্ণুপুরগী অহুম, ককচিংগী অমা অমসুং জিরিবামগী অমা য়াওনা পুলিস ষ্টেসন ১৯ অসিনা কোনবা মফমশিংদা দিস্তব এরিয়া ষ্টেটস লৈরোই।

**লিষ্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা বিদান সভা কেন্দ্র ১০ মক্কী পোল্লিং ষ্টেসনগী ফাইনেল লিষ্ট পুথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী ফাইনেল লিষ্ট ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার (এস) নৎত্রগা ৱেব সাইট-এৈচ.টি.টি.পি.এস. কোলোন দবল স্লাস ইম্ফালইষ্ট দোট এন.আই.সি. দোট ইন নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারদগী খঙলবা য়াগনি।

**এক্সপেন্দিচর (এল)ঃ** লাক্লিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী আই.দি.এ.এস-ডা: ভরতেন্দু কুমার সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং টিম-সেনাপতি অমসুং কাংপোকপীগী ওইবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সেনাপতি জিলাগী ওইনা এসিষ্টেন্ট এক্সপেন্দিচর ওবজাভর, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, একাউন্টিং মেদিয়া সার্টিফিকেসন, মোনিটরিং কমিতি অমসুং কমপ্লেন্ট মোনিটরিং কন্ট্রোল রুম এন্দ কোল সেন্টরগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। ডা: ভরতেন্দু কুমারনা সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও অমসুং তাদুবী কেন্দ্রগী মীখলগী চাদিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি।

মীফম অদুদা ডা: ভরতেন্দুনা মীখলদা মথৌ তৌগদৌরিবা মীওইশিং অদুদা মতম চানা রিপোর্ট পীখৎলকবা অমদি মীখলগী থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিন্নবা খঙহনখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আউটর মনিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এক্সপেন্দিচর ওবজাভর-গৌরব কে. সিংহনা এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং টিমনা মীখল অসিদা মীকুপ নাহুমশিং লৈগদবনি।

**মীখল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬ কী ওইনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এম-ভি.ভি.পেদ থল্লিবা জিলা অসিগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ষ্ট্রোংরুম থা অসিগী ৫ গী অয়ুক পুং ৯ দা হাংদোক্লগনি। মসিদা রাজনীতিল দলশিংগী প্রসিদেন্ট নত্রগা সেক্রেটরিশিংনা শরুক য়ারনবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা খঙহল্লি।

লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা কামজোং জিলাগী পোল্লিং পোর্সোনেলশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং উখ্রুলদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েটকী কামজোং ইলেক্সন হোলদা পাঙথোকখ্রে। পোল্লিং

পার্সোনেলশিং অসিদা মীখল পাঙথোকপদা চংবা পোৎলমশিংগী মতাংদা ফুংয়ারগী এস.দি.ওনা ত্রেনিং পীখি। ত্রেনিং অদুদা ই.ভি.এম শিজিন্নবা, সিল্ড তৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ত্রেনিংশিং পীখি।

জিলা অসিগী ওইনা নুপী পোল্লিং পার্সোনেল ৮০ য়াওনা পুন্না পোল্লিং পার্সোনেল ৩৯২ না মীখল অসিদা মথৌ তৌগনি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী এসেমব্লি সেকমেন মরিগী অনিশুবা রেন্দম্মাইজেসনসু ঙরাং জিলা অসিগী দি.সি.চেম্বরদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্ত্রি কন্সটিটুয়্যন্সিগী জেনরেল ওবজার্ভর ওইরিবা উজ্বল কুমারনা ভিদিও কনফরেন্সিগী খুথাংদা য়েংশিনখি। রেন্দম্মাইজেসন পাঙথোকপদুদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, এসিস্তেন্ট রিটর্নিং ওফিসরশিং অমদি নোদল ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। জিলা অসিগী ওইনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী পোল্লিং পরসনেলশিং ত্রেনিং পীবগী থবক থা অসিগী ৫ অমদি ৬ তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিরকশুবা রেনদমাইজেসন ঙসি জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরি কমপ্লেক্সতা লৈবা এন.আই.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোং লিজাগী ওইনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল অসিদা নৌনা ভোটর চল্লকপা মীওই ৭৩০ না অহানবা ওইনা ভোট থাদগদৌরি।

জিলা অসিগী ওইনা ফুংয়ার বিধান সভা কেন্দ্রগী ভোটর লিশিং ৩৪,৮০৭ না ভোট থাদনগনি। মীখল অসিদা কেন্দ্র অসিগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৭৮ দা ভোট থাদনগনি।

**ময়োল (এল)ঃ** ময়োলনা হৌদোকখিবা ঐখোয়গী অনৌবা লংওনগী ভোৎ হায়বা কেম্পেন অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা অপোকপা মরুপ শঙলেন থোংখোং লক্সামি বজারদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মীরেপশিংদগী শেল লৌদবা, চাকচা হৈজানবা তৌদবা, মহুৎ শিল্লগা ভোৎ থাদবা তৌদবা, মীখলগী রোড সো নত্রগা রেল্লিদা শরুক য়াদবা, মসল পৱার শিজিন্নদুনা নমফু শাফু তৌদুনা ভোৎ থাদহনবগী কলচর মুথুৎপা অমদি ইশাগী ভোতিং রাইটপু মাংহন্দবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

**য়ুঙৌ (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নোদেল ওফিসারগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইব চথবদা য়ুঙৌ লিটর ৪৫০ ফাগৎলে।

দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-পি. রঞ্জিৎনা হায়-লাক্লিবা লোক সভ মীখলগা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী লংথাবাল খৌবম খুল, চিংখাম অমসুং চাউবোক্তা দ্রাইব চথখি। মদুদা, চাউরাকা লুপা লিশিং ৪৫ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙৌ লিটর ৪৫০ মপুগা লোয়ননা ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অদু আইনগী মতুং ইন্না ফাইন থিহল্লগা থাদোকখ্রে। মহাকা হায়-মীয়ামনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবগী থবক লেপ্প্রীয়ু। মদু নৎত্রবদি আইনগী ওইবা থবকশিং পায়খৎকনি।

**ওটিজম (এল)ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়রি-মীপুম খুদিংমক্তা ওটিজমগী লাইয়েং পাক শন্না খঙহনবগী তঙাইফদবা চাউনা লৈরি।

স্পাষ্টিক সোসাইতি ওফ মনিপুর অমদি সিয়ার এন্দ কেয়ার ৱাংখৈনা শিনদুনা লংথাবাল কুঞ্জদা লৈবা সোসাইতি অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ওটিজম ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী উতমনা হায়-মমাংদা কয়া তান্নরমদবা ওটিজম হায়রিবা লায়না লায়ওং অসি হৌজিক্তি হায়রিবা লায়না অসি মীয়ামা খঙনরক্লে। অদুবু, লায়না অসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না পায়খৎকদবা অমদি খঙমীন্নগদবা কয়া অমা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিনা লায়না অসিগী মপুং ফাবা এৱারনেস মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমদ্রি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রিমসকী সাইক্রেটি দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডা: আর.কে. লেনিনা হায়-মমা মপা ওইবশিংনা মখোয়গী মচাশিং ওটিজম নারে হায়দুনা করিশু ৱানিংঙাই লৈতে। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু চপ চানা অদুম্মক লৌবিয়ু।

**হাসন (এল)ঃ** ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- সৈখ নুরুল হাসননা হায়রি- নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা ভারত সরকারনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহল্লিবা চেং, মনিপুরগী ওইনসু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্তুনা পীদুনা লাক্লি। অদুবু, মশাগীতা খনবা মীওই খরনা সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা অরেম্বা তাহন্নবা হোৎনরে। মীওইশিং অসিগী মথক্তা আইনগী থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ক্ষেত্রিগ্রাউ কেন্দ্রগী ওইনা মমাং চহিগী নবেম্বর থাদগী চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ফাওবগী ওইনা মীয়ামনা নফসাগী চেং ফংদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাউদা লৈবা এম.এল.এ অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়-এম.এল.এ. না নম্ফুদা চেং মুনখ্রে হায়রিবা মার্চ থাগী চাকথুং অদুদি কেন্দ্র অসিগী মীয়ামগী চাকখুম য়ৌখ্রে।

অমরোমদা, চহী অনি পীথোক্তনা লৈরিবা ফ্যের প্রাইজ সোপ এজেন্টশিংগী পীফম থোকপা থাগী খুৎশুমল অসিগী চপ চাবা পাউখুমসু মরী

লৈনবশিংনা পীবিগদবনি। মহাকা হায়-ফ্যের প্রাইজ সোপ এজেন্টশিংগী মতম লোইখ্রে। মরম অদুনা দিপার্টমেন্টনা চেং য়েল্লগে হায়বসিসু য়ামা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা লাইরবশিংগী ফংফম থোকপা চেংশিং ফংহনবদা থিন্থরিবা অসিগী মরম থিদোকপীয়ু হায়নসু এম.এল.এনা মখা তাখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথুদুনা রাজ্য অসি তংদু লৈতাবা ফীভম হঞ্জিলহল্লকবা হোৎনদুনা লাক্লি। ককচিং জিলাগী মনুং চনবা হিয়াংলম হিয়ানমৈ মোরানবা লম্বীদা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ুক পুং ৬ রোম তাবা অদুৱাইদা নুপী কম্মান্দোশিং য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওদবা নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেট অনি, ট্যুব লোঞ্চীং আই.এ অনি অমসুং কেমোফ্লেক্কী বুলেট প্রুভ জেকেট ৬ য়াওরি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিদা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথুবদা কে.সি.পি তাইবং ঙানবা কাংবুগী কাদর অমা থৌবাল জিলাদগী ফাগৎখ্রবনি। ফারবা মীওই অদুদগী পিস্তোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০, দিতোনেতর য়াওবা হেন্দ গ্রেনেট অমা গাড়ি বোলেরো অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগী লোয়ননা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ২২২ ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে অমদি নেসনেল হাইৱে অনি ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিবা অমদি অয়েৎ অপন থোক্তনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী

কনভোইশিং লৈরি।

**রেল্লি (এল)ঃ** অনাল ষ্টুদেন্টস যুনিয়ননা শিনদুনা চান্দেল জিলাদা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা রেল্লি অমা চৎখ্রে। রেল্লি অদু মুভমেন্ট টু সেপ  ফ্যুচর জেনরেসন হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি।

রেল্লি অদু চান্দেল হেদক্বাটরদা লৈবা মহা যুনিয়ন গভরমেন্ট হয়ার সেকেন দরি স্কুলদগী হৌরগা জিলা অসিগী মিণি ওদিটোরিয়ম ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লোয়শিনখি। রেল্লি অসিদা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, নুপী লুপশিং, নহা অমদি চর্চকী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**লীলা (এল)ঃ** মনিপুরি জগোই মরুপনা ৪৬ শুবা ওইনা নৌনা পুথোকপা দান্স দ্রামা গোস্ত লীলা ঙসি লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা লুপ অসিগী  গোল্ডন জুব্লি ওদিটোরিয়মদা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ঠিয়েটরগী লমদা শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ইসিআইঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না ঙসি রাজ্য তরুক্কী ওইনা অখন্নবা ওবজাভরশিং খনখ্রে।

ওবজাভরশিং অসিনা মীখল অসিদা কুপা য়েংশিনবগা লোয়ননা অফা-ফত্তা কয়া নৈনদুনা মদুগী অকুপ্পা ৰারোলশিং ই.সি.আইদা খঙহনগনি। ঙসি খনখ্রবা অখন্নবা ওবজাভরশিং অদু-নোংচুপ বেঙ্গোল, উত্তর প্রদেস, মহারাস্ত্রা অমদি বিহারগী মীশিং কোতি তরেৎ হেন্না লৈবা মফমশিংদা মথৌ তৌগনি। লোয়ননা মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অন্ধ্র প্রদেস অমদি উরিষ্যাদসু ওবজাভরশিং অসি শিজিন্নগনি। লোক সভা মীখলগীদমক ই.সি.আইনা খনখ্রবা অখন্নবা ওবজাভরশিং অসিনা মীখলগা মরী লৈননা মথৌ তৌগদবা

পার্সোনেলশিং য়াওনা ভোটিং মেছিনশিং কুপা য়েংশিনগনি। হায়রিবা ওবজাভরশিং অসি ষ্টেট হেদক্বাটরশিংদা লৈগনি। মরুওইনা ওবজাভরশিং অসিনা ঙমখৈ লমদমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা মীখল অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি ওইনা পাঙথোকবা থবকশিং পায়খৎলি।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ঙসি মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই ৯ শিরে। থৌদোক অদু ছাতিসগরগী বিজাপুর লিজাগী গঙ্গালুরদা সি.আর.পি.এফ, কোব্রা বটালিয়না, দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ড অমদি স্পিসিএল টাস্ক ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা থোকখিবনি।

লেন্দ্রা উমংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈনান বাস্তর রেঞ্জকী আই.জি. সুন্দর রাজনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা গঙ্গালুরদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা খুৎ থোকরকপদগী মাওইষ্টকী মীওই ৯ অদু শিখিবনি। মখোয়গী লাইট মেছিনগন অমা, বেরেল গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা য়াওনা য়াম্লবা পোকখায়বা য়াবা মচাক কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

**স্বিমিংঃ** মেধ্য প্রদেসকী গ্বালিয়ারদা পাঙথোকপা ২৩ শুবা নেসনেল পেরা স্বিমিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপ্রগী আর.কে. হেরোজিৎনা লুপাগী অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

চেম্পিয়নসিপ অসি পেরালিম্পিক কমিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিনবনি। নীংশিংবা য়াই, মমাং চহিগী চাইনাগী হাংজোদা পাঙথোকপা এসিয়ান পেরা গেমসতসু আর.কে. হেরোজিৎ শরুক য়াগনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেত্তা, রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোর অমসুং লক্ষনৌ সুপর জাইন্তসকা বেঙ্গালুরুগী এম. চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক

শান্নরি।

মুম্বাই ৱাংখ্রে ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ানসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখি। থোইনবগীদমক  রন ১২৬ লৌবা দরকার ওইবদা রাজস্থান রোয়েলসনা পান্দম অদু ওভর ১৫ গা বোল ৩ দা য়ৌবা ঙমখিবনি।